**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-08.2024)**

**বসন্তকুমার (এল) ঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি-দল অমগী মমিংদা মীখল থেংনরক্লবসু, ভোট কারক্লবদি দলগী খেৎনবা থমদনা মীয়ামগী সেভা তৌগদবনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শম্বল লৈকাইদা ঙসি ঈশিং ঈচাওনা অৰাবা নংহনখ্রবা ইমুংশিংদা লুপা লিশিং তরা-তরাগী দমী চেক য়েন্থোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-হন্দক্কী ঈশিং ঈচাও অদুদা শাথিনা শোকহনখিবা মফমশিংগী মনুংদা নম্বোল কেন্দ্রসু অমনি। ঈচাওনা শোকহনখ্রবা ইমুংশিংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতেংগা লোয়নননা লুপা লিশিং তরা-তরাগী শেনফম মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা থারগনি।

মন্ত্রিনা হায়-মহাক মশামকসু বি.জে.পিগী মীরেপ অমা ওইনা ভোট কারক্লবসু হৌজিক্তি নম্বোল কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরে। মরম অদুনা দলগী খেৎনবা থমদনা মীয়ামগী চাডখৎ থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

**ওর্গান-ডে ঃ** নেসনেল ওর্গান এন্দ তিশ্যু ত্রান্সপ্লান্ট ওর্গনাইজেসন (নোটো) না শিনদুনা ১৪ শুবা ইন্দিয়ান ওর্গান দোনেসন ডে ঙসি ন্যু দিল্লিগী ডা: অম্বেদকর ইন্টরনেসনেল সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মনিপুরনা অৰাং নোংপোক লমদমশিংগী মরক্তা ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টকী মতাংদা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা রাজ্য ওইবগী মনা পীরকখ্রে।

**ত্রেজরি (এল) ঃ** জিরিবামদা খুন্দারিবা মীতৈ অমদি মার কাংলুপ অনিগী মরক্তা শান্তি পুরকবা কছারদা লৈবা সি.আর.পি.এফনা শিনখ্রবা মতুংদা জিরিবামগী

লাল পানিদা লৈবা য়ুম অমা মশক খঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লল্লে। অতোপ্পা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা ২০ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফকী জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা লৈবা সব-ইন্সপেক্তর মশা মতোমদা নোংমৈনা কাপশিনদুনা শিজখ্রে।

মহাক জিরিবামগী কাংলুপ কয়াগী মীওইশিংগী মরক্তা শান্তি পুরকবা হোৎনখিবা মীশকনি হায়রি। জিরিবাম পুলিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা থিজিনবা হৌখ্রে।

জিরিবামগী লালপানি খুলদা মীতৈনা নমা খুন্দাবা মফমশিংদা হৌখিবা থা খরা অসিদা য়ুম মৈ থাবগী থৌদোকশিং থোরক্লিবা অসিবু জিরি অপুনবা ল্পনসু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, লালপানিদা শকখঙদবশিংনা কাপ্লকপা বোমনা বঙ্গালি ইমুং অমগী য়ুম অকায় অতোয় থোকহনখ্রবা মতুং মফম অসিদা খুন্দারিবা বঙ্গালিশিংনা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা য়াওশিনবীদনবা হায়না রুরেল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আর.দি.ও) সাউথ কাশিমপুর, সোনাপুর জিরিবামনা আপিল তৌরক্লি।

**থাঙ্গা (এল) ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গা বিধান সভা কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চিং নিংখায়খিবা মফমশিং কেন্দ্র অদুগী এম.এল.এ. তোংব্রম রোবিন্দ্রনা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। মখা তানা চিং নিংখায়রক্তনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকনি হায়বগী থাজবা এম.এল.এনা ফোংদোকখ্রে।

এম.এল.এনা ঙসি য়েংশিনখিবা মফমশিং অদুদি-থাঙ্গা খুনজেম, থাঙ্গা ঙারম অমদি ইথিংনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা চিং নিংখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি। চিং নিংখায়বগী থৌদোক অদুদা য়ুম কৈ অমদি লন-থুম মাঙ তাকখিবগী পাউ লৈতে। ফিভম অসি মখা তানা নোং চুরবদি শোকচিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মনাক নকপদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং চেকশিন্না লৈনবা এম.এল.এনা আপিল তৌখি।

**এলদিএ (এল) ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক্তা লৈবা চমপু খাঙপোক ফ্লোতিং ভিলেজতা চেং-হৱাই য়াওনা চান-থকবা পোৎলমশিং লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (এল.দি.এ) না ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

খাঙপোক অদুদ লৈরিবা মীওইশিং হৌখিবা চয়োল অনিরোমদগী থোরকপা য়াদনা লৈরিবনি। খাঙপোক শঙ অদু অথাবা ফুমদিশিংনা কোইশিল্লগা লৈশিনখিবনি হায়রি। এল.দি.এনা চমপু খাঙপোক অসি মনিপুরগী মমিং লৈরবা হেরিটেজ সাইট অমা ওইবনা মসিবু চাউখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখোয়গী হিংনবগী লম্বী ঙা ফাবগী থবকা ওইরবসু হৌজিমক্কী ওইনা মখোয় হি তোংদুনা থোল্লগা ঙা ফাবগী থবক তৌবা ঙমদনা লৈরকপনি।

**নেক্তর (এল) ঃ** নোর্থ ইষ্ট সেন্টর ফোর টেকোলোজি এপ্লিকেসন এন্দ রিছার্স (নেক্তর) গী ওফিস অমা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি বোর্ডকা ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি হাংদোকখ্রে। ওফিস অদু দিংগাংলুং গাংমৈ-এম.এল.এনা হৌদোকখিবনি।

ওফিস অসি কেন্দ্র সরকারগী দিপার্টমেন্ট অমসুং সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী মখাদা ওটোনোমস বোদি অমা ওইনা লৈগদবনি হায়রি। হাংদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা দিংগাংলুং গাংমৈ-এম.এল.এনা হায়-বিগ্যানগী অনৌবা খুৎশু খুৎলায় শিজিন্নদুনা হান্না লৈজরম্বা পোৎথোকশিং হেন্না মগুন লৈবা পোৎথোক পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিনা মনিপুরগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। অকোইবগী ফিভম শোকহন্দবা পোৎথোকশিং পুথোকবা হোৎননবা হায়রদুনা এম.এল.এনা হায়-

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্ডকী চেয়ারমেন-নোংথোম্বম নিমবসনা হায়-নেক্তর অসি নহাশিংগী অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংগী য়ামা মরুওইবা মফম অমা ওইরগনি। মসিদা নহাশিংনা

মরোমদোম লেপচনবা হোৎনবা তঙাইফদে। ইং ২০৪৭ তা লৈবাক অসিবু ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রিনা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় খুদিংমক শরুক য়াফম থোকই হায়নসু শ্রী নিমবসনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি।

লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদা অকনবা নোং চুগদবা মরমনা হায়রিবা জিলাশিং অসিদা ওরেঞ্জ এল্লার্ট লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র গুজরাত, কোনকান অমসুং গোৱাদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামা চেকশিন্না লৈনবা হায়রি।

**দিএম (এল) ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী এসিষ্টটেন্ট প্রোফেসার লৌবগী পরিক্ষাগী মতাংদা য়ুনিভরসিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট অনি-বোতনি অমসুং ফিজিক্সকী কেন্দিদেটশিংনা ফংবা মার্কশিংগী টেব্লুলেসন সিদ মাংখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা ইনক্বারি কমিতি অমা শেমলিঙৈ চৈরক্তা দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ফমশিং লৌনবা ইন্টরভিয়ুগী মতম লেপশিল্লকপা হায়বসি মরম চাদবা অমনি।

মহৈরোই লুপ তরুকা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়- দিপার্টমেন্ট অনি অসিগী অহাংবা ফমশিং লৌনবা ইন্টরভিয়ু তৌগনি হায়রিবদু মহৈরোই লুপশিং অসিনা হান্ননা তৌদনবা মরি লৈনবশিংদা হান্ননা হায়জখিবা লৈখ্রবনি।

**এমটুক (এল) ঃ** রাজ্য সরকারগী হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা গ্রেট থ্রি অমদি

ফোরগী পোষ্টশিং মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সনগী খুত্থাংদা লৌবীনবা এমটুক অমসুং এম.জি.ওগী জে.এ.সিনা তকশিল্লি।

চেরোল অমদা জে.এ.সিনা হায়-জে.এ.সিনা তকরকপগী মতুং ইন্না মসিগী চেয়ারমেন হন্দক সরকারনা হাপখ্রে। মখা তাবা ষ্টাফ হাপচিনদুনা কম্মিসন অসি মথৌ তৌহল্লবা মতুংদা সরকারগী থবক লৌবদা কম্মিসনগী খুত্থাংদা লৌবীনবা অমদি রিগুলর ওইনা হাপ্পীনবা তকশিল্লি। থবক্তগী পোত্থারবা পেন্সনরশিংগী থাগী পেন্সন খক নত্তনা পেন্সন ফংলবা কর্ম্মচারি অমগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অদুসু অথুবা মতমদা পীবিনবা জে.এ.সিনা সরকারদা তকশিল্লি।

**সনামহি (এল) ঃ** হৌখিবা চহিগী মে অহুমদগী চত্থরকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎতুনা লাংবল চারা তম্বগী থৌরম লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডনা শিনদুনা লাইনিংথৌ সনামহিগী লাইশঙ-হয়িং খোঙবাল উফোং য়ুম্ফমদা হয়েং পাঙথোক্কনি হায়রি। লোয়ননা বোর্ড অসিনা পুথোকপা থৱান অমদি লাংবল থাগী লাইনিংথৌ সনামহি মপাউ চেফোং অমসু ঙসি ফোংখ্রে।

**এৱার্ড (এল) ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী দিপ্যুতি রেজিস্ত্রা-ডাক্তর লৌরেম্বম সুরজিৎ সিংহবু ইন্টরনেসনেল পিছ এন্দ কো ওপরেসননা শিনবা ফ্রেন্দসিপ ফোরম সেমিনারদা য়ুথ আইকোন অমসুং একাডমীক কলচরেল আইকোন এৱার্ড অনি পীদুনা ইকায় খুমবা উৎলকপবু মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচর গেষ্ট ফেক্লতি এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। এসোসিয়েসন অসিনা চেরোল অমদা হায়-ডা: সুরজিৎ সিংহ মমাংদসু থাইলেন্দগী সুরিয়াদা লৈবা সুরিন্দ্রা রাজাভাট য়ুনিভরসিতিনসু সার্টিফিকেট ওফ এক্সিলেন্স পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রবনি।

**এৱার্ড (এল) ঃ** বাবু জগজিবন রাম নেসনেল সম্মান পদক ২০২৪ মনা ফংল্লকখ্রবা কোইজম তোম্বা সিংহবু ফাউন্দেসন ফোর লিভিং-কিয়ামগৈনা তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ফাউন্দেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

**সেনাপতি (এল) ঃ** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর স্কুল স্পোর্টস মিট ২০২৪ ঙসিদগী সেনাপতি আউটদোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে। স্পোর্টস মিট অসিদা পুন্না জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা স্কুল ১৯ না 'চেজ ইয়োর দ্রিম' হায়বা হীরমদা অথোই অহেন তান্নগনি। নুমিৎ মঙানিগী স্পোর্টস মিট অসিদা ফুটবোল, ভোল্লিবোল য়াওনা পুন্না দিসিপ্লিন মঙাদা অথোই অহেন তান্নগনি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-খাশিম ভাশুম অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

**বোদি ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসননা ২১ শুবা মিস্তর ইম্ফাল ইষ্ট বোদি বিল্ডিং কনটেষ্ট ২০২৪ থা অসিগী ১০ দা শওম্বুং কলেজগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

**ফুটবোল ঃ** অসামগী নগাউগী নুরুল অমিন ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা জুনিয়ার বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাক্তর বি.সি. রোই ত্রোফি-২০২৪-২৫ গী মেটচ অমদা মনিপুর অমসুং নাগালেন্দ পাঞ্জল ৪-৪ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

**চেস ঃ** অহানবা শিংজমৈ কন্সটিট্যুয়েন্সি এম.এল.এ. ত্রোফি ষ্টেট লেবেল ওপন চেস টুর্নামেন্ট ২০২৪, থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগনি। শিংজমৈ থোংঙাম লৈকাইদা লৈবা সার্ভিস রিপ্রিয়েসন এন্দ ওর্গনাইজেসন ওফ য়ুথনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা ক্লব অসিদগী নৎত্রগা

মনিপুর চেস এসোসিয়েসনদগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অসি চিঞ্জাক্কী পোৎথোক নীংথিনা লৈবা লৈবাক অমনি। মালেমগী চিঞ্জাক্কী সিক্যুরিতিদা ভারতনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকি ।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা এগ্রীকলচরেল ইকোনোমিষ্টকী ৩২ শুবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী থবক থৌরম হেন্না চাউখৎহন্নবা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা হোৎনরি। লৈবাক্কী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা লৌউ শিংউনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ভারত অসি চনাং, শঙ্গোম, হৱাই-চেংৱাই অমসুং মরু-মরাং খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা লৈবাক অমনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৌউ শিংউবদা রাসায়নগী হার শিজিন্নদনা মহৌশাগী লৌউ পথাপ্তা লৌউ শিংউগী থবক চথনবা হোৎনরি। মসিগীদমক হন্দক পুথোকখিবা শেল থুমগী বজেটতা লৌউ শিংউদা অখন্নবা মীৎয়েং থমলি।

**অসাম ঃ** অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মা অমসুং টাটা সন্সকী চেয়ারমেন-এন. চন্দ্রসেখরননা অসামগী মোরিগাউ জিলাগী জাগীর রোডতা শাগদবা টাটা ইলেক্ট্রোনিক্সকী সেমি কন্দক্টর প্লান্ট শানবগী থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লুপা কোতি লিশিং ২৭ চংনা শাগদবা সেমি কন্দক্টর প্লান্ট অসিনা ইলেক্ট্রোনিক ভেহিকল, মোবাইল ফোন অমসুং অনা লায়েংগী খুৎশু খুৎলায়শিং শাবদা চংবা সেমি কন্দক্টর চিফশিং শাবা ঙম্লগনি।

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মানা থৌনি থোরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়-প্লান্ট অসিনা অসামবু মালেমগী ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎলমশিং শাবদা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা রাজ্য ওইরগনি। প্লান্ট অসিনা অসামগী মায় ওইবা খক নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমগী টেকোলোজি অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী লমদা অচৌবা

খোঙথাং অমা ওইরগনি।

**কন্মিসন ঃ** নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কন্মিসননা দিল্লিগী রুহিনিদা লৈবা দিল্লি সরকারনা চল্লাইবা ৱাখল চোইরবশিংগী সেলতর হোম ‘আশা কিরন’ হোমদা হৌখিবা থা অসিদা মীওই ১১ লৈখিদবগী মতাংদা সু মোটু কেস অমা লৌখৎখ্রে। কন্মিসননা মিদিয়াদা সেলতর হোম অসিদা ইনমেট কা হেন্না থম্বনা মরম ওইদুনা মখোয়গী হক খোঙ্গাউনরে হায়বগী মেদিয়া রিপোর্টশিং য়েংলবা মতুং কেস অসি লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ঙসি কন্মিসননা দিল্লিগী চীফ সেক্রেটরি য়াওনা পুলিস কন্মিস্নারদা থা অমগী মনুংদা মীশি অসিগী মতাংদা রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখ্রে।

**বিহার ঃ** বিহারদা হৌখিবা পুং ২৪ দা বজ্র তাবদগী মীওই ৮ লৈখিদ্রে। শিরবশিং অদুগী মনুংদা পাটনা জিলাদগী অহুম অমদি ঔরঙ্গবাদ জিলাদগী অহুম য়াওরি। মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা থেদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে, লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৪-৪ গী ক্ষেতিপুরন পাগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**কেরলা ঃ** কেরলাগী ৱায়ানাদ জিলাদা থোকখিবা চিং নিংখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চখ্খরি।

ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মীওই লিশিং ১,৩০০ কনবা ঙমখ্রে। মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগা থবক্তা লান্মী, এন.দি.আর.এফ. অমসুং অতৈ এজেন্সিশিং শিজিন্নরি। মখল মখা কয়াগী খুৎশু খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা মী কনবগী থবক চখ্খরি।

কেরলা সরকারনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না খুদোংচাদবা মফমশিংদগী মী হোন্দোক হোনজিন তৌবদা হেলিকোপ্তর শিজিন্নরগনি হায়রি।